# জে এন্দ কেদা খূৎ থোক্লবদা আর্মি জৱান ২ শোকখ্রে, টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে, নুপামচা ১ শিখ্রে



*শ্রীনগর, মার্চ ২২ঃ*
জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা লৈবা আর্মিগী ফোরৱার্দ পোষ্টশিং অমসুং মীচম লৈফমশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা পাকিষ্টান লান্মীশিংনা সিজ ফয়ার থুগাইরকপদা আর্মি জৱান ২ শোকখ্রে অমসুং ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফমশিংদা টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৩ হাৎখ্রে, লোয়ননা মখোয়না য়ূম মনূংদা ফাজিন্দুনা থম্বা নুপামচা অমসু শিখ্রে।

ষ্টেট অসিগী সোপিয়ান দিষ্ট্রিক্টতা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা টেরোরিষ্টশিংগা খূৎ থোক্লবদা ঙসি ইরাই নুমিৎতা টেরোরিষ্ট অমা হাৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। মফমদুদা টেরোরিষ্ট লৈরে হায়বা পাউ ফংবদগী খা কাস্মিরগী সোপিয়ানদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইমামসহীব এরিয়া কোইশিল্লগা থিবা–হুস্বগী থবক চথখি। মদুদা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট অমা হাৎখি। হাৎলবা টেরোরিষ্ট অদু করম্বা গ্রুপকীনো হায়বা খংবা ঙমদ্রি

মসিদ নৎতনা অৱাং কাস্মিরগী বরামুল্লা দিষ্ট্রিক্টকী সোপোর এরিয়াদসু নোংমৈ কাপ্পবগী অতোপ্পা থৌদোক অমা থোকখি।

অতোপ্পা থম্মোয়শোকপা থৌদোক অমদা বান্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টকী য়ূম অমদা লোৎতুনা লৈবা টেরোরিষ্টশিংনা হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থম্বা মশাগী চহী ১১ শুরবা নুপামচা অমা নোংমৈ কাপ্পবদা শোকখি। মদুদা অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা মহাক ঙসি শিখ্রে।

টেরোরিষ্টশিং অদু আতিফ কৌবা নুপামচা অদুগা লোয়ননা অতোপ্পা মীচম ২ য়ূম অদুদগী থোকহন্দনা থমখিবনি। মঙোন্দগী হেন্না খরা অহল ওইবা মীওই ২ অদুদি করিগুম্বা উপাই অমা তৌদুনা নাম্বোক্তুনা চেনখ্রে অদুবু লাতিফতি অদুমক হোষ্টেজ ওইনা ফাদুনা থমহৌখি।

ঙরাং নুমিদিং সেক্যুরিটি ফোর্সকী ওপরেসনশিংদা য়ূম অদু বোম কাপশিন্দুনা থুগাইখি। নাকন অনী নোংমৈ কাপ্পবদা হান্নদগী হৌনা য়ূম অদু অতেক –অকাই থোকখ্রবনি। ওপরেসন অদুদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচমশিং হোষ্টেজ ওইনা ফাদুনা থমখিবা টেরোরিষ্ট অনীমক হাৎখি।

কোন্না থিবা হুস্বগী থবক চথবদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বিল্ডিং অদুগী অতেক –অকাইনা নন্দুনা নুপামচা অদুগী হকচাং লৈরমখিবনি হায়রি।

হাৎলবা টেরোরিষ্ট অদুগী মনূংদা অমদি লাস্কর –ই –তাইবা (এল ই টি) টেরোরিষ্টনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সোপোরদা ওথোরিটিজনা স্কুল পূন্নমক থিঙজিনখ্রে অমসুং মোবাইল ইন্টরটে সার্ভিসিং ককথৎখ্রে।

# পাকিস্তানদা জিহাদি আউটফিটশিং অমসুং জিহাদি কলচরগী মফম লৈতে ঃ পি এম ইমরান খান

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ২২ঃ*
পুলৱামা এটেককী মতূংদা পাকিষ্টানগী লৈমাইদগী থবক তৌরিবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মথক্তা থবক চখনবা মাগী গভর্ণমেন্টতা মালেমগী লৈবাকশিংনা অকনবা শাফু পীথরক্লিঙৈগী মরক্তা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা পাকিষ্টানদা জিহাদি আউটফিটশিং অমসুং জিহাদি কলচরগী মফম লৈতে হায়খ্রে।

ইস্লামাবাদতা এদিটরশিং অমসুং সেনিয়ার জর্নেলিষ্টশিংদা ৱা ঙাংবদা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা হায়খি, ইন্দিয়াগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পাকিষ্টানগী ময়োক্তা য়েঙথিবা অমসুং তুক্কৎচবগী মখোয়গী পোলিটিক্সতা য়ূমফম ওইরগা জেনরেল ইলেক্সন অদু মায় পাকপা পাল্লি।

ইন্দিয়াদা ইলেক্সনশিং অদু পাংথোক্লিবা ফাওবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা সেক্যুরিটিগী খূদোংথিনীংঙাই অদু লৈখিগনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা মতম পূন্নমক্তা থৌরাং তৌদুনা লৈনবা মহাক্না লৈবাক অসিদা মাংজৌননা চেকশিন ৱা পীখি।

লৈবাক অসিগী আর্ম ফোর্সশিংনা অদুমক থৌরাং তৌদুনা লৈ অমসুং করিগুম্বা মিলিটরিগী লান্দারকপা অমা থোকপা তারবদি মতিক চাবা পাউখুম পীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি, পোলিটিকেল পার্টি পূক্নমক্না নেসনেল এক্সন প্লানদা অয়াবা পীখ্রে অমসুং হৌজিক মিলিটেন্ট গ্রুপশিং আইননা য়াদবা অথিংবা থম্বা লূপা ওইহনখ্রে।

পাকিষ্টানগী লৈমাইদা অসিগুম্বা থবক অমত্তা মাগী গভর্ণমেন্টনা চখবা য়াহল্লোই। মখোয়গী মথক্তা মখা তানা থবক লৌখৎকনি।

জিহাদি আউটফিটশিং অমসুং জিহাদি কলচরগী হৌরকফম ইতিহাস অদুগী লিখুন তাক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খি, অসিগুম্বা জিহাদি গ্রুপশিং অসি অফগানিষ্টানদা সোভিয়েটশিংগী ময়োক্তা চথখিবা য়ু এসনা লূচীংবা অফগান লান অদুগী নুমিৎশিংদগী হৌনা লৈরকখ্রে অমসুং চহী দিকেদ কয়া অসি মফম অদুদগী ওপরেট তৌরকখিবনি হায়না দোন পাউ–চেনা হায়খি।

পাকিষ্টানবু ইন্দিয়ানা ফাইনান্সিয়েল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ)কী ব্লেক লিষ্টতা নমশিন্দুনা থম্বা পাম্মী অমসুং করিগুম্বা মদুমক থোকপা তরবদি লৈবাক অসিনা শেন–থুমগী খুদোঙচাদবা ময়াম অমা ময়োক্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনেল টেরর ফাইনান্সিং ৱাচদোগ এফ এ টি এফ না পাকিষ্টানবু জৈইশ–ই–মোহম্মেদ, লাসকর –ই–তাইবা অমসুং জমাট –উদ –দৱা গুম্বা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগী ফন্দিং থিঙবা ঙমদবগীদমক মখা তানা গ্রে লিষ্টিংদা থন্নবা হৌখিবা থাদা ৱারেপ লৌখিবনি।



# সরদ পৱার, ময়াবতি মীখলদা কন্টেষ্ট তৌদ্রিবসি এন দি এনা মায় পাকখ্রগনি হায়বগী ইঙ্গিৎনি ঃ শিব সেনা

*মুম্বাই, মার্চ ২২ঃ*
নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সি পি)চীফ সরদ পৱার অমসুং বি এস পি (বহুজন সমাজ পার্টি) প্রসিদেন্ট ময়াবতিনা লোক সভা মীখলদা মীরেপ ওইদনবা ৱারেপ লৌখিবা অসি বি জে পিনা লূচীংবা এন দি এনা শোইদনা মায় পাক্লগনি হায়বগী ময়েক শেঙলবা ইঙ্গিৎ অমনি হায়না শিব সেনানা ঙসি হায়খ্রে।

উত্তর প্রদেশতা কোংগ্রেস অমসুং ময়াবতিগী ভোত বেঙ্ক মান্নবা মরমনা ষ্টেট অসিদা এস পি –বি এস পি এলায়েন্সকী থৌরাং অদু কোংগ্রেস লিদর প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রানা থুগাইগনি হায়নসু শিব সেনা হায়রি।

শিব সেনাগী চেফোঙ 'শামনা'গী এদিটোরেল অমদা এন দি এদা য়াওরিবা পার্টি অসিনা হায়খি, মিষ্টর পৱার অমসুং ময়াবতিনা মীরেপ ওইদ্রিবসি নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা অমুক হন্না মায় পাক্লবগী লম্বী অদু ফাংলে হায়বগী খুদম অমনি।



লূচীংবা অনীসিনা লোক সভা মীখল কন্টেষ্ট তৌদনবা লৌরিবা ৱারেপ অসিগী নূংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তি মখোয় প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবগী লমজেলদা য়াওররোই হায়বা তাকপনি হায়না সেনা এদিটোরিয়েল অদুনা হায়খি।

ময়াবতিগী ৱাফম পল্লদুনা এদিটোরিয়েল অদুনা হায়, মহাক্না লৈবাকসিদা মাগী পার্টিগী কেন্দিদেটশিং কেম্পেন তৌবা পাম্বা মরম্না মশামক মীরেপ ওইনা কন্টেষ্ট তৌদনবা ৱারেপ লৌবনি। অদুম ওইনমক বি এস পিনা সুপ্নগী উত্তর প্রদেশ খক্তদা শাফু লৈ মরম অদুনা মহাক্না মীরেপ ওইদনবা লৌরিবা ৱরেপ অদুগী ৱাহন্থোক্তি মহাক মীখল থেঙনবদগী মীচেল ওইরে হায়বনি।

মীষ্টর পৱারসু মসিগী চপ মান্ননা মাগী মধা লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েনসিদগী চেন্নবা লম্বী থিখিবনি।

এন সি পি চীফ অসিনা ওপোজিসন অপূম্ববু অমতা ওইনা পূশিন্নবা হোৎনরি অদুবু মহাক মশাগী ইমূংবু পূশিনবা ঙমদে অমসুং মরমদুদগী মানা মীখল থেঙনদবনি হায়না শিব সেনানা হায়রি।

রঞ্জিত সিনহা মোহীতে পাতিলনা এন সি পি থাদোক্লবা অমসুং বি জে পি য়াওনবা ৱারেপ লৌখিবদু সরদ পৱারদদি অচৌবা চৈফু অমনি। মদুনা হান্ননা তপ্পা চৎলিবা এন সিপিগী ঘরীগী সেকেন্দ কতাগী মচৈ অদু চৎপা লেপহল্লগনি হায়না করেমনরদুনা সেনানা হায়খি।

প্রিয়াঙ্কা গান্ধী ভদ্রাগী মতাংদা শিব সেনাগী চেফোঙ অদুনা হায়, ২০১৪দা দলিতশিং অমসুং যাদবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগীদমক পাক্তননা ভোত পী অমসুং ময়াবতিগী কেন্দিদেট অমতা মায় পাকপা ঙমখিদে।

মসিগী অকীবা ভুত অদুনা ঙসি ফাওবা ময়াবতিবু তমনরি। প্রিয়াঙ্কাগী তুরিজম ভিজিটশিং য়ু পীদা ফজনা পাউখুম ফঙই অমসুং ময়াবতিনা কন্টেষ্ট তৌবা মফম অমহেক্তদা কোংগ্রেস লূচীংবা অসিনা মাগী অশা থুগাইগনি হায়বসি মহাক্ন কী।

# হোলি শান্নবা মীওই ৫ সমুদ্রগী ঈপোমনা চেন্থখ্রে

*পালঘর, মার্চ ২২ঃ*
মহারাষ্ট্রগী বশাইদা হোলি শান্নবা মীওই ৫ অরাবিয়ান সিগী অরনালা বিচতা সমুদ্রগী ঈপোমনা চেন্থখ্রে। মীওই ৫ অদুগী হকচাংশিং অদু ঙসি সমুদ্রদগী লৌখৎখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েল অমগী মতূং ইন্না বশাইগী গোকুল পার্কতগী ইমূং অনীগী মীওই ৭কী মনূংদগী মীওই ৫ অদুনা ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা হোলি থৌরম পাংথোক্লবা সমুদ্রা তোর্ব্বান অদুদা চৎখিবনি হায়রি।

মখোয়না ঙরাং নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা অরনালা বিচতা হোলি শান্নরিঙৈদা খঙহৌদনা লাকখিবা সমুদ্রগী অৱাংবা ঈথক–ঈপোমশিংনা মখোয়বু সমদ্রগী অরুবা ঈশিংদা চেন্থখিবনি।

মফম অদুগী অনকপদা লৈবা মীওইশিংনা মখোয়না তেঙবাংবীনবা লাওরকখিবদু তাবদগী থৌদোক অদু মীয়ামদা খঙহনখি।

তোঙান তোঙানবা এজেন্সি কয়ামরুমনা পূং ৬ লোম চুপ্পা মখোয়বু থিরবা তূংদা ঙরাং সুপ্নগী হকচাং অমখক ঈশিংদগী ফঙবা ঙমখি। অদুগা অতোপ্পা হকচাং অনী অহীং নোংয়াই মতূংদা ফংখি। অহীংচুপ্পা অদু সমদ্রদা থিরবা তূংদা ৱাংলিবা হকচাং ২ অদুসু ঙসি ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা ঈশিংদগী লৌখৎখি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু নিশা কে, মোরিয়া ৩৬, প্রসান্টা কে মোরিয়া ১৭, প্রিয়া কে মোরিয়া ১৯, কাঞ্চন এম গুপ্তা ৩৫ অমসুং শীতল দি গুপ্তা ৩২নি হায়না মশক খঙবা ঙমখ্রে

# কুর্দিস ন্যু ইয়ারগীদমক ইমূং–মনূংশিং থন্না পুরকপা ইরাক ফেরি অমা টাইগ্রিস তুরেনদা লাকশিনখ্রে, মী ১০০রোম শিখ্রে



*মোসুল, মার্চ ২২ঃ*
চহী কয়াগী মনূংদা ইরাককী খ্বাইদগী শাথিবা খুদোঙথিবা থৌদোক অমদা কুর্দিস ন্যু ইয়ার পাংথোক্লবগীদমক ইমূং –মনূংশিং পীকথন্না পুরকপা ফেরি অমা হান্নগী জিহাদিসকী অকনবা মফম মোসুলদা টাইগ্রিস তুরেনদা লাকশিনখিবদা নুপী অমসুং অঙাংশিংনা অয়াম্বা ওইনা মীওই ১০০ রোম শিখ্রে।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মখূৎতগী ইরাক্কী অৱাং থংবা সিটি অসি অমুক হন্না পায়শিল্লবগী তূংদা সুপ্নগী চহী অসিখক্তদগী টাইগ্রিস তুরেলগী তোর্ব্বানদা অনৌবা চহীগী নুঙাইবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাংথোকপা হৌরিবা মীওইশিং অদু অৱাবনা পীক থনখ্রে।

ইরাককী প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অবদেল মহাদিনা খুদোঙথিবা থৌদোক মফমদা চৎতুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা নুমিৎ হুন্নি অৱাবা ফোঙদোক্লবা লাওথোকখ্রে। থৌদোক অদু কনাগী দায়ত্বনো হায়বদু খঙনবা অথুবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চখনবসু মহাক্না ওর্দর তৌখ্রে।

কুরদিসশিংগী অনৌবা চহী নোৱরুজ অমসুং ইরাককী মফম পূন্নমক্তা স্প্রিং লাকপা হৌবগী হোলিদে পাংথোক্লবা মীয়াম্না পান্নবা পিকিনিক মফম অমদা চৎননবা নুপা, নুপী, অঙাং পীকথন্না নমশিল্লবা হী অদুনা ঙরাং টাইগ্রিস তুরেন লাল্লকখিবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা মী শিবগী অনৌবা মশীং অমা লাওথোক্তুনা মী ৯৪ শিখ্রে অমসুং ৫৫ রেস্ক্যু তৌরে হায়খি। মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই ছাদমাননা শিখিবা শিং অদুদা য়ামদ্রবদা অঙাং ১৯ য়াওই হায়খি।

থৌদোক অদুদা নুপী ৬১ শিখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি। ইরাক্তা হৌখিবা চহীশিংদা লান অমসুং জিহাদিজ এটেকশিংনা মীওই লিশিং চা কয়াগী পূন্সি মাংহনখ্রবসু অসিগুম্বা থৌদোকশিং খরা তাঙনা থোকই। মসি কনামত্তনা অসুন্না থোক্কনি থাজদবা খুদোঙথিবা থৌদোক অমনি হায়না টাইগ্রিস তুরেলগী তোর্ব্বান য়ৌনবা হোৎনরকখিবা নাহা অমনা হায়খি।

তুরেনগী ঈশিংগী ঈমাই ৱাংবা অমসুং মী ১০০ হেন্না তোংদুনা হী অদুগী কেপাসিটি অদুদগী হেনবা অদুনা খুদোঙথিবা থৌদোক অদু থোকপনি হায়না মোসুল সিটিগী সেক্যুরিটিগী লিখুল অমনা হায়খি।

ইরাককী জষ্টিস মিনিষ্ট্রিনা ফেরি কম্পেনি অদুগী ওফিসিয়েল ৯ ফানবা ওর্দর তৌখ্রে অমসুং হী অদুগী অমসুং টুরিষ্ট সাইট অদুগী মপুশিংবু লৈবাক থাদোক্তুনা চৎপদগী অথীংবা থমখ্রে।

# গোলান হাইটসতা দোনাল্ড ট্রম্পকী ফিরেপ ইন্টরনেসনেল লো থুগাইবনি ঃ সিরিয়া

*বৈরুট, মার্চ ২২ঃ*
গোলান হাইটসতা ইজরেলগী সোভরেন্টি শকখঙবা মতম য়ৌরে হায়বা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱাফম অদুবু ঙসি সিরিয়া গভর্ণমেন্টনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং অফঙবা পাম্বে পূন্নমক শিজিন্নদুনা মফম অদু অমুক লৌশিন্নবা সিরিয়ানা ৱারেপ লৌরে হায়খ্রে।

সিরিয়ান ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ট্রম্পকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইজরেলগী মতাংদা ৱাখল শেপ্পা মতৌ অদু উৎলি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী লিখুল অমনা হায়খি।

অদুবু গোলাননা সিরিয়ান, অরবকী ওইদুনা লাকখি অমসুং অদুমক ওইখিগনি হায়বা অশেঙবা অদুদি ট্রম্পকী ৱাফম অদুনা হোংদোকপা ঙমলোই।

ট্রম্পকী ষ্টেটমেন্ট অদু দায়ত্ব য়াওদবা অমনি অমসুং ইন্টরনেসনেল লো থুগাইবনি হায়না লিখুল অদুনা হায়রি।

১৯৬৭দা সিরিয়াদগী গোলান হাইটসপু ইজরেলনা পায়শিনখিবনি।

## মীরক্তা কার থৌজিনবদা ৬শিরে, দ্রাইভর কাপ্তুনা হাৎখ্রে

*বৈজিং, মার্চ ২২ঃ*
ঙসি চিনাদা মীরক্তা কার থৌজিনবদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং মীওই ৮ শোকখ্রে। দ্রাইভর অদুসু পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না মফমদুগী ওফিসিয়েলনা ফোঙদোক্লি। কুহই লিদোং কৌবা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা মীওই অদুনা ময়ুমদা মাগী নুপী অমসুং মচানুপীবু শোকহল্লম্বা তূংদা কার অদুনা মীয়াদা থৌজিল্লকখিবনি হায়না জাওয়াং সিটি গভর্ণমেন্টনা হায়খি।

# এন সি পিগী ভারতি পৱার, কোংগ্রেসকী প্রবিন বি জে পি য়াওখ্রে

*মুম্বাই, মার্চ ২২ঃ*
লোক সভা মীখল মাঙওইননা এন সি অমসুং কোংগ্রেনা অতোপ্পা চৈফু অমা ওইনা এন সি পিগী ষ্টেট য়ুনিট ভাইস প্রসিদেন্ট ভারতি পৱার ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে অমসুং কোংগ্রেস লূচীংবা প্রবিন সেদাসু রুলিং পার্টি অসিদা অমুক হল্লকখ্রে।

লূচীংবা অনীনা চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবীস অমসুং পার্টিগী অতৈ সেনিয়ার ফংসনরিশিং য়াওবা থৌরম অমদা মফম অসিদা বি জে পিদা য়াওরকখি।

ভারতি পৱারনা বি জে পিগী হরিসচন্দ্র চৱনগী ময়োক্তা দিদোরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী ২০১৪ লোক সভা মীখল কন্টেষ্ট তৌবদা মায়থিখিবনি।

অমরোমদা কোংগ্রেসকী প্রবিন সেদা ব্রিহনমুম্বাই ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (বি এম সি)দা তার্ম অহুমলক কোর্পোরেটর লূচীংবা অমনি। চহী ৭কী মমাঙদা মতমদুগী মফমদুগী এম এল এ অমসুং হৌজিক হৌজিক মহারাষ্ট্র গভর্ণমেন্টতা মিনিষ্টর অমা ওইরিবা প্রকাস মেহাতাগা মত খেন্নরকপদগী বি জে পিদগী তোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওখি।

# দিল্লিদা স্লীপর সেলশিংগী থৌ শিন্নবা জাইশ টেরোরিষ্ট ফাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২ঃ*
পুলৱামা টেরর এটেককী মাষ্টর মাইন্দ মুদ্দাসির খানগী মরুওইবা থৌ পুবা অমনি হায়রিবা সজাদ খান (২৭) ঙসি দিল্লি পুলিসকী স্পিসিয়েল সেলনা ফাখ্রে।

নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ)না ফাবা পাল্লিবা সজাদ খানবু দিল্লিগী রেদ ফোর্ট এরিয়াদা লৈবা লোৎফম অমদগী ফাখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

মুদ্দাসির খান এলাইজ মোহদ ভাইনা জৈইশ ই মোহমদ টেরোরিষ্ট অসিদা দিল্লিদা স্লীপর সেলশিং লীংখৎনবা থবক শিন্নখিবনি। সজাদ খাননা কাস্মিরদগী শাল য়োনবা মীওই অমা ওইনা সিটি অসিদা লৈরকখি। মহাক্না পুলৱামা এটেককী থৌরাং তৌবা অমসুং থবক ওইনা পাংথোকপগী অকুপ্পা মরোন খঙই হায়না লিখুনশিংনা হায়খি।

ফেব্রুৱারি ১৪দা সি আর পি এফ জৱান ৪০ হেন্না হাৎখিবা পুলৱামা টেরর এটেক মনূংদা সজাদ খান্না মুদ্দাসির খানগা তক্তনা পাউ ফাওনখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোক্লি। মুদাসির খান হায়বা মাষ্টরমাইন্দ অদু মার্চ ১১দা সেক্যুরিটি ফোসশিংগা খূৎ থোক্লবদা হাৎখ্রে।

## ষণ ১৩০গা লোয়ননা ষণ লল্লোনবা ১০ ফাখ্রে

*জামসেতপুর, মার্চ ২২ঃ*
ঝরখন্দগা ওরিষ্যাগা লোন্নবা ঙমখৈদা ষণ ১৩০গা লোয়ননা শা–ষণ হুরান–লল্লোনবনি চীংনবা মীওই ১০ ঙরাং ঝরখন্দগী ৱেষ্ট সিংভুম দিষ্ট্রিক্টতা ফাখ্রে।

ষণশিং অদু ওরিষ্যাগী ময়ুরভঞ্জ দিষ্ট্রিক্টতা পুরকখ্রে। ষণ লল্লোনবা খূৎপু অদুনা ষণশিং অদু ৱেষ্ট বেঙ্গল, বংলাদেস অমসুং অতৈ ওরিষ্যাগী মফমশিংদা পুনবা থৌরাং তৌরম্বনি হায়না সিনিয়ার পুলিস ওফিসার অমা হায়খি। জঙ্গলদা মখোয় খরা নাম্বোক্তুনা চেনখিবনি। গেঙ অদুগী অতৈ মীওইশিং খঙনবা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরি হায়রি।

# অফগানিষ্টানদা য়ু এস লান্মী ২ হাৎখ্রে

*কাবুল, মার্চ ২২ঃ*
ৱানিংতন অমসুং তালিবানগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নরিঙৈগী মরক্তা য়ু এসনা লূচীংবা ইন্টরনেসনেল কোলিসনদা খ্বাইদগী নৌবা মীশি – মীনা অমা ওইনা ঙসি অফগানিষ্টানদা য়ু এস লান্মী ২ হাৎখ্রে হায়না নেতোনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস লান্মী অনী অদু অফগানিষ্টানদা ওপরেসন অমদা হাৎখিবনি হায়না নোটোগী রিজোলূট সপোর্ট মিসননা হায়খি।

য়ু এস লান্মী শিবগী থৌদোক অসি কাবুলগী সিয়া এরিয়াদা পার্সিয়ান ন্যু ইয়ার থৌরম মনূংদা ইস্লামিক ষ্টেটনা চথবা বোম এতেকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওইকয়া অমা শিখিবা অদুগী নোংঙানবদনি।

অফগানিষ্টানগী মনূংগী ঙাকশেনবগী থবকশিং য়ু এসনা লূচীংবা নেটো কম্বেট ট্রুপশিংদগী অফগান ফোর্সশিংনা পায়খিবা ২০১৪গী অরোইবদগী অমেরিকানশিং শিবগী মশীং য়ান্না হন্থরকখ্রবনি। ৱাসিংটন্না চহী ১৮ লোম শুরবা অফগান লান লোয়শিন্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা দোহাদা খ্বাইদগী অনৌবা তাঙ্ককী ৱারী শান্নবা লোয়শিনখিবগী চয়োল অমরোম হেনবগী মতূংদা লৈবাক অসিদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং মখা চথরি।

## SANA - SUDOKU

Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.

**Hard Sana Suduku-74**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 1 | 8 | 7 | | 6 | | |
| 4 | | | 1 | | | 3 | 8 | |
| 9 | 8 | | 3 | | | 4 | | |
| 8 | | 3 | | 4 | | | | 9 |
| | | 4 | 6 | 5 | | 1 | | |
| 6 | | | 9 | | 8 | | | 4 |
| | | | 5 | | | | 4 | 3 |
| | 4 | | | | 9 | 8 | | |
| | 3 | | | | 6 | 9 | | |

## কেমিকেল প্লান্ট পোকখাইবদা শিবা ৪৭ য়ৌখ্রে

*য়ানচেং, মার্চ ২২ঃ*
নোংপোক থংবা চিনাগী জিয়াংসু প্রোভিন্সকী য়ানচেংদা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতূংদা কেমিকেল প্লান্ট অমদা চাওনা পোকখাইখিবা অদুদা শিবা মশীং ঙসি ৪৭ য়ৌখ্রে। মীওই ৬০০ হেন্না শোকখ্রে। অশোকপশিং মনূংদা য়ামদ্রবদা ৯০ গী ফিভম লূরি হায়না সিটি ওফিসারশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

**সনা–সুদোকু –৭৩ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 3 | 2 | 1 | 7 | 4 | 8 | 9 |
| 1 | 2 | 4 | 8 | 5 | 9 | 7 | 6 | 3 |
| 9 | 8 | 7 | 3 | 6 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 4 | 1 | 9 | 2 | 5 | 6 | 3 | 8 |
| 2 | 9 | 8 | 6 | 7 | 3 | 5 | 4 | 1 |
| 6 | 3 | 5 | 1 | 4 | 8 | 9 | 7 | 2 |
| 8 | 1 | 9 | 4 | 3 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 3 | 5 | 6 | 7 | 9 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 4 | 7 | 2 | 5 | 8 | 1 | 3 | 9 | 6 |

# মথুরাদগী হেমা মালিনি মীরেপ ওইগদৌরি, বি জে পিনা মীরেপ ১৮৪গী মিং লাওথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ২২ঃ*
বি জে পি লূচীংবী হেমা মালিনি এপ্রিল –মে জেনরেল ইলেক্সনদা মাগী হৌজিক্কী পালিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সি মথুরাদগী মীরেপ ওইগদৌরি। বি জে পিনা ঙরাং মীখল অসিগীদমক কনষ্টিট্যুয়েন্সি ১৮৪গী মীরেপকী মিং লাওথোকখ্রে।

এক্টরদগী পোলিটিসিয়ান ওল্লকখিবী অসিনা মথুরাদগী মহাকপু মীখল কন্টেষ্ট তৌনবা খল্লকখিবগীদমক ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহবু থাগৎখি। মফম অদুগী চাওখৎনবগীদমক মহাক্না কন্না হোৎনগনি হায়না ৱাশকখি।

অদুবু থংনবা আগ্রাদা পার্টিনা হৌজিক হৌজিক এম পি ওইরিবা অনীমকপু মহুৎ শিন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রে। আগ্রা সিটিদা উত্তর প্রদেশ মিনিষ্টর এস পি সিংহ বঘেলনা এস সি–এস টি কমিসনগী চীয়ার্মেন রাম শঙ্কর কাথেরিয়ানা মহুৎ শিল্লগনি।

ফাতেহপুর সিক্রিদা চৌধরি বাবু লালগী মহুত্তা রাজ কুমার চাহারনা কন্টেষ্ট তৌরগনি। বি জে পিগী মীরেপশিংগী অহানবা লিষ্ট অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা মাগী লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েন্সি বরানসিদগী কন্টেষ্ট তৌগনি হায়বা অরেপ্পা খংবা ঙম্লে।



বি জে পি প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা গুজরাততা মাগী হোম তাউন গান্ধীনগরদগী মীখল থেঙনরগনি। হায়রিবা সিট অসি বি জে পি ভেটরান এল কে অদবানিনা হৌজিক হৌজিক এম পি ওইরিবা মফমনি।

কেন্দিদেটশিংগী অহানবা লিষ্ট অসিদা মিষ্টর অদবানি য়াওদে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং রাজনাথ সিংহ অমসুং নিতিন গাদকারি মথংশিংনা লখনৌ অমসুং নাগপুরদগী কন্টেষ্ট তৌরগনি। লূচীংবা অনীমক্না সিটশিং অসিদগী মমাঙগী মীখলদা মায় পাক্লকখিবনি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিনা অমেথিদগী কন্টেষ্ট তৌদুনা অনীরক শুবা ওইনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী ময়োক্তা মীখল থেঙনগদৌরি। মিনিষ্টর ভি কে সিংহনা ঘাজিয়াবাদতগী, বাবুল সুপ্রিয়োনা অসানসোলদগী মীরেপ ওইরি।